# প্রেস/ মেদিয়া হাওসতা বোম থমজিন্দুনা থ্রেট তৌবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট রেল্লি চংখ্রে

*থৌদাং পাউমদগী*

*ইম্ফাল, জানুৱারী ৭ ঃ* প্রেস / মেদিয়া হাওসতা বোম থমজিন্দুনা অকি তুজুং পোকহনবগী থৌওং কয়া চত্থরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা ঙসি অমজুনা শিন্দুনা পাউমীশিংগী ওইবা সাইলেন্ট প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা চংখ্রে। রেল্লি অসিদা প্রেসকী নীংতম্বা মাংহনবীগনু হায়না ৱাহৈশিং থাবা প্লে কার্দ কয়াসু পায়খি।

খুৎলায় পায়বা লুপ কয়ানা প্রেস / মেদিয়া হাওসতা মখল কয়াগী থ্রেট তৌরকপা লোয়ননা হৌখিবা তাং ২ দা থৌদাং পাউ চে ওফিসতা কেসিপি (এমসি) লনচেন চনুগী কাংবুনি হায়বশিংনা বোম থমজিন্দুনা অকি তুজুং পোকহল্লকখিবা অমসুং কেসিপি ফেক্সন খরদগী প্রেস মেদিয়াদা য়াম্না তোয়না অকি তুজুং পোকহল্লকপা থৌওংগী মায়োক্তা অমজুনা শিন্দুনা ঙসি চংখিবা রেল্লি অদু টিদিম গ্রাউন্দা পুল্লপ পুল্লবা মতুং মেজরখুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লব তম্না লাকখি।

রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা প্রেসকী নিংতম্বা মৎনবা হোৎনবীগনু , প্রেসপু য়েক্লবা ওইনা উবীগনু, বোমগী চন্নফম লৈরোই হায়বনচিংবা ৱারোলশিং থাবা প্লে কার্দশিং পায়খি। রেল্লি অদু টিদিম লম্বীদগী হায়গৎলবা মতুং কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন ফাওরগা ৱাহেংবম লৈকাই লম্বীরোমদা লাক্লগা ফ্লাই ওভর ক্রোসিং লাল্লবা মতুং বিটি রোদলোমদা হায়গৎলক্লগা প্রেস ক্লব তম্না লাকখি। রেল্লি অদু প্রেস ক্লবতা লোয়শিন্নবা মতুং মীহুৎ কাংবু অমনা চিফ মিনিষ্টরগা হকথেংননা উন্নদুনা প্রেস / মেদিয়া হাওসশিং অমসুং প্রেসমেনশিংদা অকি তুজুং পোকহল্লক্লিবা কয়া অসি থিংনবা থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়না তকশিল্লমখি। মদুদা চিফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু মেদিয়া হাউসশিংদা অকি তুজুং পোকহল্লম্বা থৌওংবু পেন্দবা ফোঙদোরকখি। লোয়ননা সরকারগী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়নসু থাজবা পীরকখি।